# ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিং শীজিন্নদুনা ইলেক্টেদশিংবু কিহনবগী থবক চথরি ঃ বেনর্জি



কোলকতা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবা অতোপ্পা ইলেক্টেদশিংবু ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিং শীজিন্নদুনা কিহন খঙহনবগী থৌওংশিং চথরি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী ষ্টুদেন্টস ৱিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা অচুম অরান থিদোক্লবগীদমক লৈরিবা সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংবু বি জে পিনা মরন্নাই ওইবা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। এজেন্সীশিং অসিসু বি জে পিদগী ফংবা য়াম্লবা শেনফমশিং অদুনা মরম ওইরগা মখোয় মশাগী মথৌ কাওথোকখ্রে। বি জে পিনা মখোয়দা শীন্নরক্লিবা থবকশিং অদুবু মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌনি হায়না খন্দুনা লৈখ্রে। মসি লাইবক থিবনি।

বি জে পিদা য়াওরিবা মীওই অয়াম্বা তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা পার্টিদা য়াওরবা মতুং পারর পায়দুনা অরানবা থবকশিং তৌরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু মখোয় মশানা মশাগী মশক কাওথোকচরগা ট্রিনামুল কোংগ্রেসপু অরানবা তৌবা পার্টি ওইনা উহন্নবা হোৎনরি। অদুগা বি জে পি অমসুং মসিগী লুচিংবশিংনা খ্বাইদগী শিংবা মীওইশিংনি হায়না খঞ্জরি।

ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়া বি জে পিনা য়াম্লবা শেনফমশিং পীদুনা লৈনবা হোৎনরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্নগদবা য়াম্লবা শেনফম কয়া অতোপ্পা পার্টিশিংগী এম এল এশিং লৈবদা ওইনা শীজিন্নরি। অদুম ওইনমক ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিবু মায়থিবা পীবনি হায়রি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ৭,৫৯১ থেংনখি ৩০ শিখি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৭,৫৯১ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩০ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৭,৫৯১ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,১৫,৭২৩ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৮৪,৯৩১ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩০ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৭,৭৯৯ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৬২ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১৯ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২১১.৬৬ কাপখ্রে। মখা তানা কাপথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

ঙসি শিখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা দেল্লি, কর্নাটাকা, মহারাষ্ট্রদগী মীওই ৫/৫ ; মিজোরাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ৩/৩; কেরলাদগী ২; য়ু পি, পঞ্জাব, ওরিষা, মণিপুর, হরিয়ানা, গুজরাট অমসুং গোৱাদগী অমমম য়াওরি।

# মোদি গভর্ণমেন্টনা ঙাঙথোকখিবা ৱা অমত্তা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি ঃ শরদ পৱার



মুম্বাই ২৯ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক পায়খৎকনি হায়না লাউথোকখিবা থবক থৌরম অমত্তা ঙসি ফাওবদা মপুং ফানা পায়খৎপা লৈত্রি হায়না নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট শরদ পৱারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি ৱাশক ঙাক্তবা লৈঙাক্লি হায়নসু হন্দুনা ঙাঙখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী থানেদা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা এন সী পিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈবাক অসিদা লাকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা ৱাশক কয়া শকখ্রে। মদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা য়ুম শাবা ঙমজদবা মীওই খুদিংমক্কী য়ুম অমমম শাবীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱাশকখি। অদুবু মহাক্কী ৱাশক অদু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ইলেক্সনদা মোদিনা অমদি বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু তৌশিন্নবা ঙাক্তনি হায়বসি ঙসিদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। হৌজিক লৈরিবা মোদি লৈঙাক্কী মরুওইবা মথৌদাংদি বি জে পিগী মায়োক্তা লৈরিবা অতোপ্পা পার্টিশিংগী গভর্ণমেন্টপু অঙম্বা পান্থে শীজিন্নদুনা ইন্থুবনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু মহারাষ্ট্রদা হান্না লৈরম্বা উধব থাক্রেনা লুচিংবা শিব সেনাগী লৈঙাক অদুবু শিংচেপ থাজিন্দুনা থুগায়রবা মতুং শিব সেনাগী রেভেল এম এল এ একনাথ সিন্দেনা লুচিংদুনা বি জে পিগা খুৎশম্নরগা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবা অসিনি। দেল্লি লৈঙাকসু বি জে পিনা থুগায়নবা হোৎনরি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

# রাহুল গান্ধী পোলিটিসিয়ন অমা ওইবদা মতিক চাদে ঃ গুলাম নবি অজাদ

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী মী অমা ওইনা য়াম্না ফৈ অদুবু মহাক কোংগ্রেসকুম্বা অচৌবা পার্টি অমগী লুচিংবা ওইবদা অমদি পোলিটিসিয়ন অমা ওইবদা মতিক চাদবা মীওইনি হায়না পার্টি অসিদগী তোকখ্রবা ভেটরান লিদর গুলাম নবি অজাদনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ৭৩ শুরবা হান্নগী কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা পার্টিদগী তোক্লবা মতুং সেন্তরদা বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হন্না লৈবা ঙমখিবা অসি রাহুল গান্ধীগী পোলিসিদা শোয়বদগীনি হায়না মরাল শিখিবা লৈখ্রে। গুলাম নবি অজাদনা পার্টিদগী তোক্লবা মতুং ফোঙদোকখিবদা মহাক্না বি জে পিগা চৎমিন্নবগী ৱাফম লৈতে অদুবু মশাগী ওইবা পার্টি অমা লিংখৎচনবা ফীরেপতি লৈরি। চহী অসিগী লোয়শিল্লকপা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা জম্মুঅমসুং কাশ্মিরগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক্কী ওইবা মীহুৎ থাদোক্লবা শেম শাবা লোয়রে হায়রি।

# নুপা অমনা মহাক্কী মমা, নুপী অমসুং মচা ৩ মঙক লেন্থুৎতুনা হাৎখ্রে

রিসিকেস, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) : তাবদা য়াম্না অকি তুজুংবা পোকপা অমদি তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংচন্না ঙসি মশাগী চহী ৪৭ রোম শুরবা নুপা অমনা মহাক্কী অপোকপী মমা, মশাগী নুপী অমদি মচানুপী ৩ মঙক লেন্থুৎতুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসি দেরাদুনগী এস পি কল্লেস উপধ্যায়না ফোঙদোকখিবদা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মহেস কুমার পুলিসনা ফারে। মহাক নাগাগেরদগীনি। মহাকপু ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চথরি। লোয়ননা মীহাৎ অদুদা শীজিন্নখিবা ঈ তৈরবা থাঙ অদুসু পুলিসনা ফংবা ঙমখ্রে হায়রি। মহেস কুমারনা মঙক লেন্থুৎতুনা হাৎখ্রবশিং অদুদি মহাক্কী মমা বিতন দেবী (৭৫), লোয়নবী নিতু দেবী (৩৬) অমদি মচানুপী ৩ অপরনা, স্বরনা অমসুং অর্নপুরননি। করি মরমগীদমক মহেস কুমারনা মীওইশিং অদু হাৎখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG
## LEGAL WIFE CERTIFICATE

**RR No. 30 of 2022**

Applicant :-
Khumukcham Binodini Devi W/o (L) Ibohal Singh of Kakching Khunou Umathel Makha Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/8/2022

অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি। মদুদি খুমুকচম বিনোদিনি দেবী পতি মৃ: খুমুকচম ইবোহল সিংহ সাং ককচিং খুনৌ উমাথেল মখা লৈকায় পি: ও: ককচিং পি. এস. ৱাইখোং দিষ্ট্রিক্ট ককচিং, মণিপুর অসিনা উক্ত Court অসিদা Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না Application থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা Objection তৌবীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/3983/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 422/SDC/SLG/IE of 2022.**

Parties:-
Ngangom Sovakiran Devi W/o Surjit Singh of Brahmapur Thangapat Mapal Lakpam Leirak. -Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :-
Naorem (O) Ahanbi Devi W/o (L) Ibomcha Singh of Naorem Leikai at present Khurai Lamlong Bazar. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sagolmang, the 24/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাটা নং 132 (অরিবা) 16 (অনৌবা), দাগ নং 179, মোট এরিয়া.73 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কি মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East, Manipur

HL-P/3986/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No. 435/SDC/M Dated:- 22/8/2022**

Hemam Ongbi Angom Bina Devi W/o (L) Hemam Nabakumar Singh of Moirang Phiwangbam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Hemam Nabakumar Singh S/o (L) Chaoba Singh of Moirang Phiwangbam Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 22nd August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১৩৮১/৫১০৯ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ৬২৬৪/৯০৮৫ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিদা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang

HL-P/3980/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No. 440/SDC/M Dated:- 24/8/2022**

Yumkhaibam Premjit Singh S/o (L) Y. Achouba Singh of Moirang Thana Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Sapam Achouba Singh S/o (L) Amuba Singh of Moirang. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 24th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫২-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৬৫৬ অনৌবা ২৪ অরিবা সি:এস:দাগকী নং ৫০০৯ এরিয়া ২.১৬ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ১.২৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang

HL-P/3980/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No. 438/SDC/M Dated:- 22/8/2022**

1. Mairembam Mushuk S/o (L) Yaima Singh of Moirang Mairembam Leikai. (0.03 acre)
2. Mairembam (O) Shantibala Devi W/o (L) M. Birachandra Singh of Moirang Mairembam Leikai. -Petitioners

-Vs-

(L) Mairemabam Birachandra Singh S/o (L) M. Angoujao Singh of Moirang Mairembam Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 22nd August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৩-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ২৩০/৯১০ অনৌবা ১৪২ অরিবা সি:এস:দাগকী নং ২০৫৫/২১২৬ এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang

HL-P/3980/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 423/SDC/SLG/IE of 2022.**

Parties:-
1. Ngangom Sovakiran Devi W/o Surjit Singh of Brahmapur Thangapat Mapal Lakpam Leirak.
2. Chabungbam Santa Devi W/o Ningthoujam Sangeetkumar of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai.
3. Seityabati Chabungbam W/o Sagolshem Ibomcha of Khurai Kongpal Sajor Leikai.
4. Somorjit Chabungbam S/o Tombi Singh of Khurai Puthiba Leikai. -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar :-
Naorem Ahanbi Devi W/o (L) Ibomcha Singh of Lamlong Bazar. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sagolmang, the 24/8/22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাটা নং 103 (অরিবা) 144 (অনৌবা), দাগ নং 189, মোট এরিয়া 2.32 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East, Manipur

HL-P/3986/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 250/SDC/IW-L/2022.**

1. Thounaojam Santoshchandra Luwang S/o (L) Th. Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai.
2. - do - Chunilal Singh S/o (L) - do - of - do -
3. - do - Baleshwar Singh S/o (L) - do - of - do -

-Petitioners

-Vs-

(L) Laishram (N) Thounaojam (O) Manileima Devi W/o (L) Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/8/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার লাইশ্রম নিংঙোল থৌনাওজম ওংবী মনিলৈমা দেবী পতি মৃ: সুরচান্দ সিংহ সাং শিংজমৈ থোঙাম লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৫১-অখামগী অনৌবা পাটা নং ১১৮ দাগ নং ১৪/২২৭ এরিয়া ২.৫১ চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/3982/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 251/SDC/IW-L/2022.**

1. Thounaojam Santoshchandra Luwang S/o (L) Th. Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai.
2. - do - Chunilal Singh S/o (L) - do - of - do -
3. - do - Baleshwar Singh S/o (L) - do - of - do -

-Petitioners

-Vs-

(L) Laishram (N) Thounaojam (O) Manileima Devi W/o (L) Surchand Singh of Singjamei Thongam Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/8/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার থৌনাওজম ওংবী লাইশ্রম নিংঙোল মনিলৈমা দেবী পতি মৃ: সুরচান্দ সিংহ সাং শিংজমৈ বজারগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাটা নং ৭৭ দাগ নং ১৮৬,৩২৭ এরিয়া ২.৬৩, ১.৩৪ চাওবা অঙনফৌ অমসুং ফৌরেল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/3982/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 424/SDC/SLG/IE of 2022.**

Parties:-
1. Chabungbam Santa Devi W/o Ningthoujam Sangeetkumar of Thangmeiband Lairenhanjaba Leikai. (Dag No. 111)
2. Seityabati Chabungbam W/o Sagolshem Ibomcha of Khurai Kongpal Sajor Leikai. (Dag No. 112) -Petitioners

-Vs-

Late Pattadar :-
Naorem Ahanbi Devi W/o (L) Tomcha Singh of Khurai Puthem Leikai. -Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sagolmang, the 24/8/22

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহসিল খুল নং 16-Yumnam Patlou পাটা নং ... (অরিবা) 136 (অনৌবা), দাগ নং 111, 112, মোট এরিয়া 1.28 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East, Manipur

HL-P/3986/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 249/SDC/IW-L/2022.**

Achom Thadoi Devi W/o (L) Ibocha Singh of Phumlou Siphai Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Khangembam Gour Singh S/o (L) Mukta Singh of Phumlou. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/8/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার খাঙেম্বম গৌর সিংহ পীতা মৃত মুক্তা সিংহ সাং ফুমলৌগী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুমলৌগী অনৌবা পাটা নং ১৭০/১২৪৬ দাগ নং ১৩৯৪/১৫৯৯ এরিয়া ০.৩৫৫ চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/3982/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW:LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 248/SDC/IW-L/2022.**

Angom Dawnychip S/o (L) Angom Ingocha Singh of Phayeng Sabal Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Angom Ingocha Singh S/o (L) Omar Singh of Phayeng Sabal Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/8/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাটাদার অঙোম ইঙোচা সিংহ পীতা মৃত ওমর সিংহ সাং ফয়েং শবল লৈকায়গী মীংদা লৈবা ই:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাটা নং ৬২৬ দাগ নং ৩০০ এরিয়া ০.৩২০০০ চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি মথক্তা পিরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
IW:Lamsang

HL-P/3982/30




HL-P/3658/12/8-12/9

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
(1). BDS Fees Structure : 16 Lakhs Package.
(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
(4). B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
(5). MSc Nursing Fees Structure : 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.
(6) GNM Fees Structure : 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Moino Leirak, Imphal.
HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept